# ত্রাও এফ সিনা চর্চিল ব্রদর্স থোইখ্রে, রিএল কাশ্মিরনা নেরোকা এফ সি থোইবদগী অহুমশুবদা হায়গৎপা ঙমখ্রে






ইম্ফাল/স্রিনগর, মার্চ ০৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা অনীশুবা থাক্তা লৈবা কম্পিটিসন ওইরিবা হিরো আই লীগকী ঙসি খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অমদা তিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ত্রাও)না গোৱাগী ক্লব চর্চিল ব্রদর্সপু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে। ঙসি স্রিনগরগী টি আর সি পোলো সিন্থেটিক টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচ অমদা মণিপুরগী অতোপ্পা ক্লব নেরোকা এফ সিবু রিএল কাশ্মিরনা পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা লিগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা থাক্তা হায়গৎখ্রে।

ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা ফ্লদ লাইটকী মতেংনা শান্নখিবদা ত্রাও অমসুং চর্চিল ব্রদর্সকী লম্বা অদু হৌরকপদগী লেং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। পনবা য়াই, চর্চিল ব্রদর্স ঙসিগী মেচ অসিগী মাংওইননা লিগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ২০ ফংলগা অহুমশুবদা লৈখি। নাকল অমরোমদা ত্রাও এফ সি পোইন্ট ১৬ ফংলগা ৯শুবদা লৈরম্বনি।

ঙসিগী মেচ অদুগী অহানবা হাফকী অয়াম্বা মতম টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা অমনা অমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্নরবসু পাঞ্জল চনবা ঙম্নদনা লৈনখিবদগী মতম লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা য়ুম্বু ক্লব ওইখিবা ত্রাও এফ সিনা ভাবকশিংনা থৌনা হেন্না পীশিল্লক্তুনা বোল হেন্না পায়বা ঙমখি। শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা ত্রাওনা পুশিনখিবা এটেক অমদা চর্চিল ব্রদর্সকী দিফেন্দরনা ফাওল তৌরুবগীদমক পেলাল্টি অমা ত্রাওনা ফংখি। খুদোংচাবা অদু ত্রাওগী মায়কৈদগী ওগচি উচেনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১-০দা মাংজিল থাখিবা অদু চর্চিল ব্রদর্সনা লেমহৌবা মতমদা হন্দোকপা ঙমদনা ত্রাও মায়পাক্তুনা পোইন্ট ১৯ য়ৌদুনা ৮শুবদা হায়গৎখি।

ঙসি স্রিনগরগী টি আর সি পোলো সিন্থেটিক গ্রাউন্দা মণিপুরগী অতোপ্পা ফুটবোল ক্লব নেরোকা এফ সিনা রিএল কাশ্মিরগা লম্বা তৌনখিবদা মেচকী অহানবা হাফ লোয়গদবা মিনট ৩দা ঙাইরবা মতমদা রিএল কাশ্মিরগী দেনিস ভাটনা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা নেরোকা এফ সিবু ১-০দা থোইদুনা পোইন্ট ২২ ফংখিবগা লোয়ননা ৩শুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখি। নেরোকা ১০শুবা পোজিসনদা লৈরি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mohun Bagan | 14 | 11 | 2 | 1 | 33 | 12 | +21 | 35 |
| 2 | Punjab | 15 | 5 | 8 | 2 | 20 | 17 | +3 | 23 |
| 3 | Real Kashmir | 14 | 6 | 4 | 4 | 16 | 13 | +3 | 22 |
| 4 | Churchill Brothers | 14 | 6 | 2 | 6 | 22 | 19 | +3 | 20 |
| 5 | East Bengal | 15 | 5 | 5 | 5 | 22 | 18 | +4 | 20 |
| 6 | Gokulam Kerala | 14 | 5 | 4 | 5 | 18 | 18 | 0 | 19 |
| 7 | TRAU | 16 | 5 | 4 | 7 | 16 | 27 | −11 | 19 |
| 8 | Chennai City | 14 | 4 | 5 | 5 | 17 | 18 | −1 | 17 |
| 9 | Aizawl | 14 | 3 | 7 | 4 | 17 | 18 | −1 | 16 |
| 10 | NEROCA | 15 | 4 | 3 | 8 | 21 | 30 | −9 | 15 |
| 11 | Indian Arrows | 14 | 2 | 3 | 9 | 7 | 17 | −10 | 9 |

৮শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

# এল সী সী সী লিলোং চজিংনা ৱাই দল্লীয়ু সী লংথবালবু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা টিম ৯না শরুক য়াদুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা '৮শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০'গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা এল সী সী সী লিলোং চজিংনা ৱাই দল্লীয়ু সী লংথবালবু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ফাইনেল মেচ অসিদা ৱাই দল্লীয়ু সী লংথবাল অমদি এল সী সী সী লিলোং চজিং লম্বা তৌনখি। মদুদা এল সী সী সীনা টোস ঙমদুনা বোলিং হান্না খনখি। ৱাই দল্লীয়ু সীনা অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবদা ওভর ১৯দা বেটচমেন পুম্নমক আউট ওইরগা রন ১০৬ খক লৌবা ঙমখি।

টিম অদুগী শচিকান্তানা বোল ১৫দা রন ২৯, মনাওবীনা বোল ২৮দা রন ২৪, গোজেন্দ্রোনা বোল ১৭তা রন ১৪ অমদি রোজেসনা বোল ৯দা রন ১১ লৌখি। অহানবা ইন্নিংকী এল সী সী সীনা বোলিং তৌখিবদা সঞ্জিৎনা ৱিকেট ৩, ইগবালনা ৱিকেট ২ অমসুং কৃষ্ণ অমদি জিলানা ৱিকে অমমম লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা এল সী সী সী লিলোং চজিংনা ৱাই দল্লীয়ু সী লংথবালনা থল্লবা ১০৭গী টার্গেটতা ওভর ১৫গা বোল ৩দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১০৭ লৌদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

এল সী সী সীগী মায়কৈদগী অনন্দকুমারনা বোল ৩০দা রন ৩৫, গুলসননা বোল ২১দা রন ২৬, সঞ্জিৎনা বোল ১১দা রন ১৯ অমদি কৃষ্ণনা বোল ১০দা রন ১০ লৌখিবা শীংথাবা য়াই। ৱাই দল্লীয়ু সীনা বোলিং তৌখিবদা প্রিয়োকুমারনা ৱিকেট ২ অমদি রোজেস, কুমারজিৎ অমসুং প্রেমচন্দ্রনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

ৱিন্নর ওইখিবা এল সী সী সী লিলোং চজিংনা শেল ওইনা লুপা ১৫০০০ অমদি রোল্লিং ট্রোফি অদুগা রন্নর্সঅপ তাখিবা ৱাই দল্লীয়ু লংথবালদনা লুপা ১০,০০০ অমদি রোল্লিং ট্রোফি খুৎশিন্নখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মেন ওফ দি মেচনা এল সী সী সী টিমগী এন সঞ্জিৎনা রন ১৯গা ৱিকেট ৩ লৌদুনা তাখি। লোয়ননা সেমীফাইনেলদা লৈহৌবা টিম অনী সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমদি মোদেল ক্লব চীংঙামখাদা শেল ওইনা লুপা ১০০০সু খুৎশিন্নখি।

# এসিয়ন নম্বর ১ মৈরাবা লুৱাংনা জেক রিপব্লিক্কী লুকাস ফ্রানেকপু থোইদুনা ২শুবা রাউন্দ চঙখ্রে

YONEX GERMAN JUNIOR BERLIN 2020



বর্লিন, মার্চ ০৪(এজেন্সী): জর্মনিগী সিটি বর্লিনদা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা জর্মন বেদমিন্টন এসোসিএসননা শীন্দুনা জুনিয়র ইন্টর্নেসনল গ্রান্দ প্রি টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা জর্মন জুনিয়র ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২০গী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা এসিয়াগী নম্বর ১ শান্নরোয় অমদি ৱর্ল্ড নম্বর ২ ওইরিবা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা জেক রিপব্লিক্কী লুকাস ফ্রানেকপু ষ্ট্রেট গেম অনীদা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

মৈরাবনা ফ্রানেকপু ২১-৬, ২১-৫তা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী রানর জর্কপু ১৭-২১, ২১-৮, ২১-১৬তা মায়থীবা পীরম্বা জেক রিপব্লক্কী মার্তিন দোষ্টলগা অনীশুবা রাউন্দ লম্বা তৌনরগনি।

# নোর্থ ইষ্ট জোনেল কেম্পকীদমক মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী মখাদা লৈবা চহী ১৬ মখাগী শান্নরোয় ৫ খনখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (ঐচএনএস): নাগালেন্দগী দিমাপুরদা চহী অসিগী এপ্রিল ১৩দগী মে ১৩ ফাওবা বি সী সী আই (বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া)গী লমজিং মখাদা নাগালেন্দ ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চহী ১৬ মখাগী নুপামচাগী নোর্থ ইষ্ট জোনগী ওইবা জেনেল কেম্পকীদমক মণিপুরদগী শান্নরোয় ৫ খল্লক্লে হায়না মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

শান্নরোয় ৫ অসিবু নোর্থ ইষ্ট জোনগী ওইনা লৈরিবা ওল ইন্দিয়া জুনিয়র সেলেক্সন কম্মিতিনা মখোয়বু খল্লে হায়না লাউথোরকপদগী থা অমা চথুগদবা জোনেল কেম্প ফোর নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি শঞ্জেনবম সোমাকোন্তা শর্ম্মা (ত্রাও), খাইদেম জয়রাজ মৈতে (পি টি আর সী), নিংথৌজম রোহিত (ৱাই য়ু সী সী), কদমজিৎ মোইরাংথেম (ৱাই য়ু সী সী) অমসুং নাওসেকপম মলেমঙানবনি হায়না মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী চেরোল অসিনা মখা তারি।

# শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (ঐচএনএস): ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট য়ু-১৭ কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফি ২০২০দা শরুক য়ানবা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন, থৌবালগী শান্নরোয়শিং খল্লে হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোল কিপ্পরদা দিনেস অমদি এম দি সজিদ খান; দিফেন্দরদা মঙ্গিজাও, মাক্স, দিনচন্দ্র, সনাথোই, এম দি অব্দুল মজিদ অমদি অবিসেক; মিদফিল্ডর ইথোই, ধনবীর, সিতল, সুমন্তা অমদি লানঙম্বনি। অদুগা ষ্ট্রাইকরদা জোল্লি, জোন্সন, থোইথোইবা অমসুং ৱিল্লিমনি। খল্লবা শান্নরোয়শিং অসি হয়েং কোদোম্পোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স, ৱাংজিংদা টিম অসিগী কোচ ওইরিবা এম বিজেননা রিপোর্ট তৌনবসু খঙহল্লক্লি।

# এস পি এন নেসনল ইনক্লুসন (স্লম সোক্কর) কপ মণিপুরনা লৌরক্লে



ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (ঐচএনএস): চহীসিগী ফেব্রুৱারী ২৮দগী মার্চ ৩ ফাওবা গোৱাদা পাঙথোকখিবা সোনি পিকচর্স নেটৱার্কনা শীনবা এস পি এন নেসনল ইনক্লুসন (স্লম সোক্কর কপ) ২০২০দা মণিপুর মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবা মণিপুর স্পোর্টস হাউসনা নুপাগী চেম্পিয়ন ওইরক্লে হায়না ঙসি মণিপুর স্পোর্টস হাউসকী মায়কৈদগী প্রেসতা ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং গোৱাদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা মণিপুরনা পাঞ্জল ৭-৫দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। অমরোমদা, মণিপুরগী নুপীগী টিম ক্বাটর ফাইনেলদা অন্ধ্র প্রদেশকী টিমদা পাঞ্জল ৪-৫দা মায়থীহৌবগা লোয়ননা ৫শুবা পোজিসন তাহৌখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুর নুপাগী টিম অসিগী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তগী চীংখেঙানবা অমসুং হেথবনা মথং শীৎনা বেষ্ট গোল কিপ্পর অমদি বেষ্ট স্কোররগী মনাসু ফঙলকখি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা নেসনল ইনক্লুসন কপ অসি য়াওবা চৎপদা ৱাখলগী অমদি শেলগী মতেং পীবিরকখিবা পুম্নমকপু মণিপুর স্পোর্টস হাউসকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

১০শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# য়ু পি এস এনা ৱাই দল্লীয়ু এফ সীবু মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৪(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর অমদি নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পী এফনা শীন্দুনা টিম ২৫না শরুক য়াদুনা সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্স তাকয়েলগী আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা চথুরিবা ১০শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা য়ু পি এস এ পুখাওনা দল্লীয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিংবু মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি দল্লীয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিং অমসুং য়ু পি এস এ লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক্না লম্বা মান্ননা শান্নবা হৌরকখি। হাফ অসিগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ওইবা য়াবা তাঞ্জা কয়া ফংনখ্রবসু পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদে। অদুবু হাফ অসিগী ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা য়ু পি এস এগী এন রাজু জর্সি নম্বর ১০না একাউন্ট হাংদুনা ১-০দা অহানবা হাফ অদু মাংজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফতা দল্লীয়ু ৱাই এফ সীনা ইক্বেলাইজর ফংনবা চথুরকপা এটেক অমদা শান্নবগী ৫০শুবা মিনটতা ৱাই সুরজনা চন্দুনা পাঞ্জল ১-১দা মান্নহনখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা য়ু পি এস এগী বিপিন জর্সি নম্বর ১৩না পাঞ্জল চল্লবা মতুং টিমমেট সিদার্থ জর্সি নম্বর ৯না ৮০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা অমুক হাপচিল্লগা ৩-১দা হেন্দুনা লৈখি।

অদুবু দল্লীয়ু ৱাই এফ সীগী মায়কৈদগীসু ৮২শুবা অমদি ৮৯শুবা মিনটতা মথং শীৎনা এন লৈঙাকপা জর্সি নম্বর ২০ অমদি আর কে সুসিলনা জর্সি নম্বর ১৭না পাঞ্জল অমমম চল্লগা ৩-৩দা মান্নখি। মখা তানা অপীবা মতমগী লেমহৌবা মিনটতা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা ঙমদনা পেনাল্টি কাওনবদা তাখি।

পেনাল্টি কাওনখিবদা য়ু পি এস এগী মায়কৈদগী সিদার্থ জর্সি নম্বর ৯, এন রাজু জর্সি নম্বর ১০, এস মাইকেল জর্সি নম্বর ২ অমদি এল হেলিম জর্সি নম্বর ২৩না পাঞ্জল চনখি। অদুগা দল্লীয়ু ৱাই এফ সীগী মায়কৈদগী এন লৈঙাকপা জর্সি নম্বর ২০, আর কে সুসিল জর্সি নম্বর ১৭ অমদি এম মালেমঙানবা জর্সি নম্বর ১৯না পাঞ্জল ৩খক চনখিবদগী মেচ অদু য়ু পি এস এনা দল্লীয়ু ৱাই এফ সীবু পাঞ্জল ৭-৬তা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙখি।

থা অসিগী ৯দা শান্নগদবা অহানবা সেমীফাইনেল মেচতা য়ু পি এস এ পুখাও অমদি ৱাই পি ঐচ য়ু থেংনগনি। অদুগা অনীশুবা সেমীফাইনেলদনা মুভানলাই কাংপোকপী অমদি নিসা থাংমৈবন্দ লম্বা তৌনগনি।

HL-B/6098/4march to 7april

# ১৮শুবা ও এফ এ কপ ২০২০

ইম্ফাল, মার্চ ০৪(ঐচএনএস): ও এফ এ পুংদোংম্বমনা শীন্দুনা টিম ২৪না শরুক য়াদুনা ও এফ এ গ্রাউন্দ পুংদোংম্বমদা চথুরিবা ১৮শুবা ও এফ এ কপ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস ৱাই দি এ ক্ষেত্রিগাও অমদি ৱাই দি সী এল পুংদোম্বম অমদি ও এন ৱাই সী ওকসু নীংথেমচা খুল দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এস কে ৱাই সী খুনজাও অমদি এস ৱাই দি এ ক্ষেত্রিগাও লম্বা তৌনগনি তৌরম্বা অদু এস কে ৱাই সী খুনজাও লাক্তবদগী এস ৱাই দি এ ক্ষেত্রিগাও ৱার্ক ওভর ফংখি।

অনীশুবা মেচতা ৱাই দি সী এল অমদি ও এন ৱাই সী লম্বা তৌনখিবদা পাঞ্জল ৪-৪ চন্দুনা দ্রো চৎখি। ৱাই দি সী এগী স্কোরশিং অদু সনামচনা পাঞ্জল ৩ অমদি লকিসনা পাঞ্জল ১ অদুগা ও এন ৱাই সীগীনা জিতেননা ২ অদুগা রোহিত অমদি অমর্জিৎনা পাঞ্জল অমমম চনখি।

ফর্স্ত টি ঐচ অনৌবী দেবী মেমোরিএল ৪-এ সাইদ সোক্কর টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

# য়ু ৱাই ও (এ) অমদি বোনি এফ সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ য়ুথ ওর্গনাইজেসন (য়ু ৱাই ও) শীংজমৈ ভৈগ্যাপতি লৈকাইনা শীন্দুনা টিম ৩৪না গ্রুপ ৫ থোক্লা লম্বা তৌনগদবা ফর্স্ত দে এন্দ নাইট ওপন ৪-এ সাইদ থোকচোম অনৌবী দেবী মেমোরিএল সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি য়াইস্কুল কেন্দ্রগী এম এল এ থোকচোম সত্যাব্রতানা হৌদোকখ্রে। অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচ অনীদা য়ু ৱাই ও (এ) অমদি বোনি এফ সী মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা য়াইস্কুল কেন্দ্রগী এম এল এ থোকচোম সত্যাব্রতানা চীফ গেষ্ট, য়ু ৱাই ওগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ প্রামেশ্বরনা প্রসিন্টে অমদি আই এম সীগী কোরপোরেট এল ইনুংঙানবীনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎকী অহানবা মেচতা য়ু ৱাই ও (এ)না এন ই আই এল আই টি এফ সীবু পাঞ্জল ১০-৬দা মায়থীবা পীখি। অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দদা বোনি এফ সীনা য়ু এফ এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখি।

ফর্স্ত ষ্টেট লেভেল এস তোম্বা মেমোরিএল টুর্নামেন্ট

# এন ৱাই সী, নন্দো এফ সী, সৌয়া হৈরোক অমদি এম এম এফ সী মায় পাকপা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (ঐচএনএস): কম্যখা সোসল য়ুথ ক্লব হিয়াংথাং মমাঙ লৈকাইনা শীন্দুনা কে এস ৱাই সী গ্রাউন্দ হিয়াংথাংদা চথুরিবা ফর্স্ত ষ্টেট লেভেল এস তোম্বা মেমোরিএল দে এন্দ নাইট ৪ মেন এ-সাইদ ওপন সুপর সোকর টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা এন ৱাই সী নম্বোল, নন্দো এফ সী অরাপতি, সৌয়া হৈরোক অমদি এম এম এসী সী উৎলৌ মখোয় মখোয়গী মেচশিং মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচতা এন ৱাই সী নম্বোলনা ফ্রেন্দস এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি। এন ৱাই সীগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা টি সুরজকান্তা জর্সি নম্বর ১১না চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা নন্দো এফ সী অরাপতিনা বোনি এফ সী পাওবীতেকপু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীখি। নন্দো এফ সীগী মায়কৈদগী সুরজকান্তানা পাঞ্জল ৩ অদুগা চীংখৈনা পাঞ্জল ২ চনখি। অদুগা বোনি এফ সীগী মায়কৈদগী ইমরান অমদি বুংথিনা পাঞ্জল অমমম চনখি।

অহুমশুবা মেচতনা সৌয়া হৈরোক্লা লনচেনবী এফ সী (বি)বু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। মরিশুবা মেচতা এম এম এফ সী উৎলৌনা খৌপুম এফ সী লংথবালবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com